# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 42, Issue No.187 | নোংমাইজিং, লাংবন ২০নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, September 30, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


ফাজিনখিবা এম য়ুগী ওজাশিং, মহৈরোয়শিং থাদোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা তোকপচীংদা চৎখিবা মৈরা পায়বীশিংগী রেল্লি



অঙাংশিংগী ফংফম থোকপশিং ঙাক শেন্নবগীদমক অখন্নবা থৌদাং লৌখিবা আই এস টি ভিগী সিনিয়র রিপোর্টর এন সনা-জাওবদা এৱার্দ পীবা



লামায় ৩

লৌশি পাৎতা শাদানবশিংনা লমগী উচেক ফাননবা থাক্তুনা থল্লম্বা লাংশিং থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ষ্টাফশিংনা লৌখৎপগী শক্তম



লামায় ৪

নেসনল ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন দেগা মরী লৈননা থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈবা চেম্বর হোস্পিটালদা পাঙথোকপা ব্লদ দোনেসন কেম্পকী শক্তম অমা



লামায় ৩

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৮১.৪৮

দীজল : লিটরদা লুপা ৭২.৭৬

## ওটোরিক্সো মৈ থাবা, পান্দেগী শক্তমদা য়েন্নমনা থোম্বা মীওই ফারে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৯: মহৈরোয় লুপ তরুক্কা কৌখিবা পুং ৪৮ গী মণিপুর বন্দ মনুংদা পেসেঞ্জর পুবা দিজল ওটোরিক্সো অমা কৈশামপাৎ থোকচোম লৈকায় এরিয়াদা ঙরাং মৈ থাবদা চেন্নবা মীওই অদু পুলিসনা ফারে হায়রি। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি এম য়ুগী ভি সী, এ পি পান্দেনচিংবগী শক্তম ফল্লাংদা থেৎলগা য়েন্নম্না থোমদুনা চথবা প্রোটেষ্টতা শরুক য়াবা মীওইসু পুলিসনা ফারে।

ইম্ফাল এস পিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা এস পি যোগেসচন্দ্র হাওবিজমনা হায়খি, ঙরাং নুংথিল পুং ১.২২ রোম তাবা মতমদা দিজল ওটোরিক্সো (এম এন ০১এবি ০২০৭) অমা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা মৈ থাবদা চেন্নবনি হায়বা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ৩০.৮৮ °C | ১৯.৯৩ °C |
| চান্দেল | ৩৫.৫৮ °C | ১৮.২৪ °C |
| সীসীপুর | ৩২.৮৩ °C | ১৮.৯৬ °C |
| ইম্ফাল | ৩৩.৬৬ °C | ১৮.৭২ °C |
| সেনাপতি | ৩০.২৯ °C | ১৫.৯৬ °C |
| তমেংলোং | ২৫.৩৭ °C | ১৭.৮০ °C |
| থৌবাল | ৩১.৯৬ °C | ১৮.৯৪ °C |
| উখ্রুল | ২৬.০৮ °C | ১৬.১৯ °C |
| মণিপুর | ৩৫.৫৮ °C | ১৫.৯৬ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১২ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০৬

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৩

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 84.220960 |
| US Dollar | 72.547218 |
| British Pound | 94.523577 |
| Australian Dollar | 52.409458 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.563291 |
| Japanese Yen | 0.638066 |
| Malaysian Ringgit | 17.523873 |
| Norwegian Krone | 8.903191 |
| Singapore Dollar | 53.083367 |
| South Korean Won | 0.065348 |
| Swedish Krona | 8.147957 |
| Turkish Lira | 11.937130 |
| Myanmar Kyat | 0.04678 |
| Bangladesh Taka | 0.86570 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 31315.51 |
| Mumbai | – | Rs 31978.61 |
| Delhi | – | Rs 31978.61 |
| Kolkata | – | Rs 32256.68 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## HL POLL

Q : Chief Minister na wari sanasi haiba University Community na yakhidabadu chum-mi haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : General Striketa meeyam thoraktuna lambi thingkhidabadu bandh pamdabagini haina louba yabra?

Yes 43% No 57%

## অস! লোইরেহে!

ঐদি পান্দেসি মনা পীবা য়াই খল্লি !



হোয়নে, মা মথন্তনা নৈবদা মণিপুর পুমলোই লোইরে...!

# এম য়ু কম্ম্যুনিটি সী এমগীদা লাকখিদ্রে

## ৱারী শাননবা হোৎনবা লেপখিরোই, অমুকসু চেবাউ থাগনি : সী এম

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৯(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী তংদু লৈতাদবা ফীভম অসি লোইশিন্নবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি অয়ুক পুং ১০ দা ৱারী শানসি হায়না কৌবদা য়ুনিভর্সিটি কম্ম্যুনিটিগী মেম্বর অমফাওবা লাকখিদ্রে।

তংদু লৈতাবা ফীভম অমা পুরক্লন-বগীদমক মখা তানা য়ুনিভর্সিটি কম্ম্যুনিটিগা ৱারী শাননবা হোৎনবা লেপখিরোই, চেবাউ থাখিগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বংক্বিট হোলদা পাঙথোকখিবা সর্জিকেল ষ্ট্রাইককী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, এন ঈ লাইভকী পেনেল দিস্কসনদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা)গী প্রসিদেন্টনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ৱাথোক্কী মতাংদা লৈঙাক্না ৱারী শানসি হায়রক্লগদি শরুক য়াগনি হায়না থমখিবা অদুগী মতুংইন্না ঙসি ৱারী শাননবা চেবাউ থাখি। মুটা, মুসু অমসুং মুসাগী থৌপুবশিংদা এড্রেস তৌবা চেবাউ অমা ঙরাং থাদুনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা উনসি হায়না খঙহনখি। ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং য়াওনা চীফ মিনিষ্টর ওফিস সেক্রেটরিয়েটতা এম য়ু কম্ম্যুনিটিগা ৱারী শাননবগীদমক ঙাইদুনা লৈখি। ঙাইদুনা লৈরিঙৈদা মুটাগী মায়কৈদগী চেরোল অমা থারকখি। চেরোল অদুদা পল্লকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা মুটাগী মীটিং লৈ অদুনা অতোপ্পা মতম অমা পীবীরকউ। ফাজিনখিবা মীশিং অদু থাদোরকউ অমদি এফ আই আর হন্দোকউ হায়বনচিংবা য়াওরি।

এফ আই আর অদুদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রো. য়ুগিন্দ্রোনা কমপ্লেন্ট তৌবদগী পাল্লম্বনি। ষ্টেট লৈঙাক্না এফ আই আর অদু পানবা নত্তে। নীংথিনা ৱারী শানরগা হন্দো-ক্লবা য়াবা করি লৈগে হায়বদু খন্নরগা ঈং-তপ্পা মায়কৈদা চঙশিনবা য়াগনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি এম য়ু কম্ম্যুনিটিদা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা পাম্মী। ৱারী শাননবগীদমক থোঙ লাউনা হাংদুনা লৈ। চেবাউ অমুক হন্না থারকউ হায়রবসু অদুমক থারক্কে। ৱারী শানরগা খন্ন-নৈনদুনা ঈং-তপ্পা মওংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনসি। মতম শাংনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা চরাংনবা লৈদুনা মহৈ-মশিন তম্বদা অপনবা কয়া থোক্লিবা অসি থুনা ৱারোইশিন পুরক্তুনা নীংথিনা মহৈ-মশিন তমহনবা পাম্মী। য়ারিবমখৈ থুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা এম য়ুগী হান্নগী মহৌশাগী ফীভম অদুদা হঞ্জিন্নবগী মায়কৈদা চঙশিনসি। মুটা, মুসু অমসুং মুসানসু লৈঙাক্কী আপিল অসি তাবীদুনা অথুবদা এম য়ুদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা মীৎয়েং চঙলক্কনি থাজে।

নুমিৎ নীনি চথখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অদুদা মীয়াম অদুমক চৎনখি। পোজিটিব ওইবা ফীদবেক অদুমক ফংই। বন্দ মনুংদা কা হেনবা থবক

## ফাজিনখিবশিং থাদোক্কদবনি : মুটা

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৯(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা)গী প্রসিদেন্ট প্রো. আই তোম্বনা চেয়র লৌদুনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা মুটাগী ওফিসতা জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

ৱারেপশিং অদুদি, অহানবদা থা অসিগী ২০গী নুমিদাংদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা চথখিবা ইনহ্যুমেন ওইবা এক্সন অদু মুটাগী মেম্বরশিংনা কন্দেম তৌবা, অনীশুবদা এম য়ু কেম্পসতা হৌজিক লৈরিবা ক্রাইসিস অসিগা মরী লৈননা ফারগা জেলদা থল্লিবা মহৈরোয়শিং, ওজা-শিং অমদি অতৈ মীওইশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি, অহুমশুবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ক্রাইসিস অসি রিজোল্ভ তৌনবা ফেসিলিটেসন তৌরকপা ইন্দিভি-জ্যুএল নৎত্রগা ওর্গনাইজেসনশিং মুটানা তরাম্না ওকই হায়বা অসিনি হায়না মুটাগী প্রসিদেন্ট প্রো. তোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থোইনা চথবগী মমি তাখিদে। দেমোক্রেসি চৎপা লমদম ওইবনা খোঙজং চথনবা অদুমক য়াওই। জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা চথবা মতমদা নোংমগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪



# এম য়ুদা চথখিবা রেইদ জুদিসল ইনক্কারি তৌহন্নবা তকশিনবা হায়না ৱারেপ্পখ্রে



## ফাজিল্লিবা ওজা অমদি মহৈরোয়শিংগী মরাল মীয়ামদা খঙহনগদবনি : ওক্রম ইবোবী

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৯(ঐচএনএস): এম য়ু কেম্পস মনুংদা অহিংদা পুলিস চঙশিন্দুনা চথখিবা থৌওংশিং অদুগী মথক্তা জুদিসল ইনক্কারি তৌগদবনি হায়বা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ৱারেপ কয়া পিপলস পোলিটিকেল কনভেন্সনদা লৌখ্রে।

কম্মিটি ওফ পোলিটিকেল পার্টিজ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা কনভেন্সন অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি এম য়ুগী হোষ্টেলদা খূৎলায় পায়বা পুলিস পর্সনেলশিংনা অহিংদা লান্দাখিবা অদু কন্দেম তৌবা, য়ুনিভর্সিটি অসি মহৌশাগুম মথৌ তৌহন্নবা তক্লবা, এম য়ুগী হোষ্টেলদা পুলিস পর্সনেলশিংনা অহিংদা লান্দাখিবা অদু জুদিসল ইনক্কারি চথনবা তক্লবা, এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট কন্দেম তৌবা অমদি চৎনহন্দবা, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী দেমোক্রেসি, সেক্যুলরিজম অমসুং সোসলিজম ঙাকপা, নোংমগী পূন্সিদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মরুওইনা চেঙ, হৱাই অমদি পেট্রোলিয়ম প্রদক্ট মমল ৱাংখৎলক্লিবা অসি কন্দেম তৌবা অমসুং ইন্দো-ম্যান্মার বাউন্দরিগী দিমার্কেসনদা মণিপুরগী শরুক ট্রেদিসনেল দিমার্কেসন তৌহনবা হায়বা অসিনি। মখা লামায় ৩ কলম৪

## মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কন্নবা হায় কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৯(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিনহন্দুনা মহৈরোয় লিশিং কয়াগী একাদেমীক কেরিয়র কনবীনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না হুইয়েন লানপাউ মণিপুরী এদিসনগী এদিটর হেমন্তকুমার নিঙোম্বনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎখ্রে।

মীওই অসিনা থাখিবা পিটিসন অদু হায় কোর্টনা লৌখ্রে অমসুং মথং থাগী ১ দা কোর্ট অসিদা খন্ননবা লিষ্ট থোকপদা য়াওরে। নুমিৎ অসিদা পিটিসন অসিগা লোয়ননা এম য়ুগী ভি সী এ পি পান্দেনা থারকপা অতোপ্পা ৱাকৎ অমগা পূন্না তাগনি হায়না কোজলিষ্ট অসিদা য়াওরি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসতা পীশিনখিবা হেমন্ত কুমার নিংঙোম্বগী পিটিসন অমগী মতুংইন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিনা মহৈরোয় লিশিং কয়াদা চহী মাঙহনবা য়াবগী ফীভম লাক্লে। মরাল লৈজদবা অমসুং খোঞ্জেল থোক্লা ৱাকৎপা ঙমজদবা মহৈরোয়শিংগী খল্লগা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎতুনা একাদেমীক কেরিয়র মাঙহন্দনবা হোৎনবীয়ু। নুমিৎ ৮৫ নি য়ুনিভর্সিটিগী থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎপা য়াদনা লৈরুরবা তুংদা তেল্লবা মতম খরা অমুক মথৌদা হঞ্জিল্লুরে। হৌজিক্কা প্রো ভি সী অনৌবা অমা হাপ্পকপগী মতাংদা লৈঙাক্কা মুক্নরকপদগী অমুক এম য়ুগী থবক লেপখ্রে হায়রি।


# স্বাছ সুর্ভেক্সন থিম সোং, স্বাছতা এপ্ লোঞ্চ তৌখ্রে

## চহীসিদগী ইরাবত দে ষ্টেট ফঙ্কসন ওইনা লৈঙাক্না পাঙথোক্লগনি : সী এম

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৯(ঐচএনএস): চহীসিদগী হৌরগা সেপ্টেম্বর ৩০ দা ইরাবত দেগী থৌরম লৈঙাক্না শীন্দুনা ষ্টেট ফঙ্কসন ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা স্বাছ সুর্ভেক্সন থিম সোং, গূগল টোইলেট লোকেটর অমদি স্বাছতা এপ্ লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা সী এম নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, লময়ানবা হিজম ইরাবতপু নীংশিংদুনা সেপ্টেম্বর ৩০ দা ইরাবত দে ষ্টেট ফঙ্কসন ওইনা পাঙথোকপা হৌরগনি। লৈঙাক্না শীন্দুনা হয়েং নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা বি টি পার্ক মনাক্তা ইরাবত দেগী থৌরম পাঙথোক্কনি। মসিগী মাংওইননা নুংথিল পুং ৩ দা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি বিল্ডিং মনাক্তা লৈবা ইরাবত স্কৱারদা হিজম ইরাবতকী মীতম শেমগৎনবগীদমক উরেপ-উয়ুং তম্লগনি। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইরাবত দেগী থৌরমদা শক্লাইরবা প্রো. লোকেন্দ্রো, প্রো. জয়কুমার অমদি এদিটর প্রদিপ ফাঞ্জৌবমনা ইরাবতকী মরমদা ৱা ঙাংগনি। থৌরম অসিগীদমক কম্মিটিনচিংবা শেমদুনা মপূং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক শেম শারে। অসিগুম্বা মীয়ামগী শীংথানিংঙাই ওইরবা লুচিংবা ইরাবতপু ইকায় খুম্নবা অমদি নীংশিংবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু মখা তাখি।

মহাক্না হায়খি, ঙসি স্বাছ সুর্ভেক্সন ২০১৯গী থিম সোং লোঞ্চ তৌরে। মসিগী পান্দমদি লূ-নান্‌বগী মতাংদা মীয়াম পূন্না খঙমিন্নবনি। মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট এজেন্সী অমদি মাহুদ ...মখা লামায় ৩ কলম ২


HL-B/4887/28,29,30/9




HL-B/4875/21/09-20/10

HL-B/4894/30

